### ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এল ৱাই এস এস যুবু মায়থীবা পীরম্লগা এম আর সী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএন এস)ঃ চজিং ইনাৎ কনবা লূপ (সী ঐচ আই এ এল) না শীন্দুনা লিলোং চজিংদা লৈবা চজিং কাংজেবুংগী শান্নবুংদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৫দগী হৌদুনা চথরিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা এল ৱাই এস এস যু লিলোং বজারবু মায়থীবা পীরম্লগা এম আর সী চজিং মাইরেনখোং ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা এল ৱাই এস এস য়ু অমসুং এম আর সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী তঙ্খাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী গোল চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। অহানবা হাফকী ২৯শুবা মিনটতা এম আর সীগী জর্সি নম্বর ১২ রোসিকি খাইদেমনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। রোসিকিনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি। মিনট ১ কান্নরগা মেচকী ৩০শুবা মিনটতা এল ৱাই এস এস যুগী শান্নরোয় অর্বিন্দ মীতৈনা এম আর সীগী মায়কৈদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি।

অনীশুবা হাফকী ৬২শুবা মিনটতা এল ৱাই এস এস যুগী জর্সি নম্বর ৭ এ বোরিসনা এম আর সীগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা অনীশুবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমমমদা লৈনবদগী টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি।

পেনালটি কাওনবদা এল ৱাই এস এস যুনা এম আর সীবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি। এম আর সী চজিং মাইরেনখোংগী পেনালটিগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ রোসিকি খাইদেম, জর্সি নম্বর ৯ কে দিঙ্কু, জর্সি নম্বর ১৪ কে নাওচা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ কে নরেসনা চনখিবনি। মায়থীহৌরবা এল ৱাই এস এস যুগী পেনালটিগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ এন কবিরাজ অমসুং জর্সি নম্বর ৭ এ বোরিসনা চনখিবনি।

### অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব (এল এস সী) লংথবালনা শীন্দুনা লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়দা লৈবা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল মায় পাকখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক অহানবা গ্রাউন্দদা মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমসুং এস য়ু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অদুগা মোদেল ক্লবনা বোল্লিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৭১ লৌখি। শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী দিজেন্না বোল ৪২দা রন ২৮ অমসুং দিপুনা বোল ২৪দা রন ১৭ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী বিশ্বরজিৎনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৩, ইনাওনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২ অমসুং ইবোয়াইমনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লবনা ওভর ৬.৩দা ৱিকেট অমত্তা তুদনা রন ৭২ লৌদুনা মেচ অদু মোদেল ক্লব চীংঙামখানা এস য়ু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখি। মোদেল ক্লবকী কিশ্বরজিৎনা বোল ২২দা রন ৩৫ অমসুং কর্নজিৎনা বোল ১৭তা রন ২১ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী কিরনবীনা ওভর ৩.৩দা রন ২৯, চেরিনা ওভর ২ লংবদা রন ২০ অমসুং সঞ্জয়না ওভর ১ লংবদা রন ২৩ পীখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱিকেট অহুম লৌবা ঙমখিবা মোদেল ক্লবকী বিশ্বরজিৎ লৈশাংথেম্না মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং সঙাই শিংজমৈ শান্নখি। মেচ অদু সঙাইনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সঙাইনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৮৯ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সীনা ওভর ১৮.৫দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৯২ লৌদুনা মেচ অদু ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা ৱিকেট ৪দা মায় পাকখি। ৱাই দব্লিয়ু সীগী সুনিললনা ৱিকেট ৩ লৌরগা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

### ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্ম মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

# আই এফ এনা সী ৱাই এল সী, ৱাই ও সীনা এফ সী ইম্ফাল মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা পাৎশোই পার্ট টুগী পময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্ম মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা আই এফ এ লম্ফেলনা সী ৱাই এল সী পিশুম চীংঙামথক অমদি ৱাই ও সী ইরোম মৈজ্রাওনা এফ সী ইম্ফাল ময়ায় কোয়বীবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১২না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্ম মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী গ্রুপ এগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা আই এফ এ লম্ফেল অমসুং সী ৱাই এল সী পিশুম চীংঙামথক লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা আই এফ এনা সী ৱাই এল সীবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি। আই এফ এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু গোংসেনরৈনা মেচকী ৪৮শুবা অমদি ৬৭শুবা, ভি দি কিংলেমঙাইনা মেচকী ২৭শুবা, থাংবোইনা মেচকী ৫০ অমদি মোরুসোমিনা মেচকী ৭০শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এফ সী ইম্ফাল ময়ায় কোয়বী অমসুং ৱাই ও সী ইরোম মৈজ্রাও শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই ও সীনা এফ সী ইম্ফালবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। ৱাই ও সীগী পাঞ্জলশিং অদু আর কে বিক্রমজিৎ অমদি সাংমোন্না চনখি।

### ৮শুবা সী ৱাই সী এল ষ্টেট ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখ্রে

# রিভাস্কর, অজাদ খান, বেকর, বোনা সেমী চঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএন এস)ঃ এসোসিএসন ওফ টেনিস লবরস (এ টি এল) না শীন্দুনা মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) গী মীৎয়েং মখাদা হাও গ্রাউন্দগী টেনিস কোর্টতা চথরিবা ৮শুবা সী ৱাই এল সী ষ্টেট ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মেন্স সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা রিভাস্কর, অজাদ খান, বেকর অমসুং বোনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

মেন্স ওপনদা শান্নরোয় ১২, চহী ৪০ মথক্কী দবলসতা শান্নরোয় ২৬ অমদি ১১০ প্লসকী দবলসতা শান্নরোয় ১৮না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৮শুবা সী ৱাই এল সী ষ্টেট ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মেন্স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি রিভাস্কর অমসুং একেন্দ্রজিৎ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা রিভাস্করনা একেন্দ্রজিৎপু ৯-১দা, অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা অজাদ খান অমসুং আর কে প্রিতম শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা অজাদ খানন্না আর কে প্রিতম্বু ৯-২দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা বেকর অমসুং সুরজ শান্নগদবা মেচ অদু সুরজ লাক্তবদগী বেকরনা ৱাক ওভর ফংলগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

মেন্স ওপনগী মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি বোনা অমসুং পদমেশ্বর শান্নখিবা মেচ অদু বোনানা পদমেশ্বরবু ৯-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১০ প্লস দবলসকী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দিলিপ অমদি লৈশেমস্নাগী জুরানা রঞ্জিৎ অমদি তোম্বগী জুরাবু ৯-৩দা, অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা রঞ্জন অমদি ইন্দ্রকুমারগী জুরানা বিরেন অমদি রোমিওগী জুরাবু ৯-১দা, অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কাংজাম্বা অমদি মতুমগী জুরানা মনিকান্ত অমদি জয়গী জুরাবু ৯-৫দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

ইভেন্ট অসিগী অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দেবেন্দ্র অমদি প্রদিপকী জুরানা টি জয় অমদি প্রকাসকী জুরাবু ৮-২দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ষ্টেট ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ৪০ মথক্কী দবলস ইভেন্টকী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা একেন অমদি কিশোরজিৎকী জুরানা এলদ্রিন অমদি মনিকান্তগী জুরাবু ৯-২দা, অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কাংজাম্বা অমদি রাকেসকী জুরানা রঞ্জন অমদি বালকৃষ্ণগী জুরাবু ৯-৪দা, অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা প্রদিপ অমদি বিরলাগী জুরানা সনাতোম্বা অমদি প্রিতমগী জুরাবু ৯-৫ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টুলেশ্বর অমদি ইবোহলগী জুরানা দিলিপ অমদি লৈশঙ্গী জুরাবু ৯-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।





HL-B/5068/21dec to 19feb. (alt)

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৭


১। ক্রিকেট শান্নবদা মমিং চৎলবা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোনাল্ড ব্রেদমেন ইন্দিয়াদা অমুক্তা লাকখিদ্রি অদুবু মহাক্কী নুপী জেশী ব্রেদমেনদি ইংলেন্দা চৎপা মতমদা বোম্বে (মুম্বাই) গী হিথাংফমদা মহাক্কী জহাজ অদু খামদুনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা হরাউনা ওকপীখি। শান্নরোয় অদু কনানো?

২। রাহুল দ্রাভিদনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইরিঙৈদা টেষ্ট মেচ শান্নবদা পাঞ্জল থোয়নখিদবা হায়বদি দ্রো ওইখিবগী মশীং অদু চাদা কয়ানো?

৩। ওলিম্পিক গেমস চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকই। নেমিয়া গেমস চহী কয়া কয়া লৈরগা পাঙথোক্লম্মী?

৪। মহাক হোনোলুলুগী প্রিনসেসরুথকী কোনুংদা পোকপা মতমদা ইংলেন্দগী নিংথৌ মচানুপা অনীশুবা দিউক-ওফ-ইন্দিনবরা ঈথৎ অদু য়েংবা লাকখি। মহাক ওলিম্পিক্কী ইরোইবদা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, য়ূমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।





HL-P/5901/16-31

### ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# পি ৱাই পি সী অমসুং এস বি আর এফ সী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস)ঃ দি পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) না শীন্দুনা পুংদোংবমগী শান্নবুংদা চথরিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা পি ৱাই পি সী পুংদোংবম অমসুং এস বি আর এফ সী নোংদম সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা লীগ রাউন্দ বেসিসতা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল অহানবা গ্রাউন্দদা পি ৱাই সী পুংদোংবম অমসুং হৈঙাং এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৩শুবা অমদি ২৩শুবা মিনটতা পি ৱাই পি সীগী জর্সি নম্বর ৭ দব্লিয়ু ঙাইস্না অমদি জর্সি নম্বর ১১ এ মাইঙৌনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পি ৱাই পি সীনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ৪৯শুবা মিনটতা হৈঙাং এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ বিকেন্না পি ৱাই পি সীগী মাঙজিল থারিবা অহানবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু হৈঙাং এফ সীনা পাঞ্জল ১-২দা অমুক লৈখি। মিনট ৬ কান্নরগা মেচকী ৫৫শুবা মিনটতা পি ৱাই পি সীগী জর্সি নম্বর ৯ দব্লিয়ু এদিসন্না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু পি ৱাই পি সীনা পাঞ্জল ৩-১দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ্তা হৈঙাং এফ সীনা পি ৱাই পি সীগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু পি ৱাই পি সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস বি আর এফ সী নোংদম অমসুং কংলা এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তুগী লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌবা ঙম্নবগীদমক কন্না শান্নরকখি। মেচ অদুগী অহানবা হাৎ লোইশিল্লকপদা মীৎকুপ ফাওবদা এস বি আর এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফ লোইশিল্লকপদা এস বি আর এফ সীনা কংলা এফ সীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা এস বি আর এফ সী নোংদম সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

HL-P/2433/8-31-2,4 feb (alt)





HL-P/2795/22Dec-to29 jan.





Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com